# ইন্দিয়াগী সুরজ পনৱরনা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসতা নুপামচাগী মিটর ৫০০০গী ৱাক রেসতা সিলভর ফংখ্রে



বিনোস আইরেস, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী) ঃ অর্জেন্টিনানা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ৬তগী পাঙথোরকপা ৩শুবা য়ুথ ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপামচাগী মিটর ৫০০০গী ৱাক রেসতা সুরজ পনৱরনা ইন্দিয়াগী সিলভর মেদল অমা ফংখ্রে।

সুরজ পনৱরনা ফংখিবা সিলভর মেদল অদুনা অহুমশুবা য়ুথ ওলেম্পিক গেমস অসিগী এথলেটিক্স কম্পিটিসন্দা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদল ওইবা ঙম্লি। য়ুথ ওলেম্পিক অসিদা মালেমগী ওইনা চৎনরিবা ত্রেক এন্দ ফিল্ড ইভেন্টকী চৎন-কাঙলোনশিং অদুদগী খরা নাথৈদুনা তোঙানবা কাঙলোন অমা চৎনরি।

নুপামচাগী মিটর ৫০০০ ৱাক রেস অদু তাঙ্কক অনী খায়দোক্তুনা লম্বা তৌনবনি। মদুদা এথলেট অমনা তাঙ্কক অনীগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা মতম অদু লৌরগা মকোক মথং তাবগী পরিং অদু শেম্বনি।

সুরজ পনৱরনা মিটর ৫০০০গী ৱাক রেস অদুগী অহানবা তাঙ্কক্তা মিনট ২:২৩.৩০দা মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা মতম অদু থম্বা ঙমখি। অদুবু কম্পিটিসন অদুদা মহাক্কী মতম অদুনা অতোপ্পা লৈবাক্কী এথলেটশিংগা চাংদম্নবদা অনীশুবা থাক ওইখি।

অনীশুবা অমদি অরোইবা তাঙ্কক্তা সুরজ পনৱরনা মিটর ৫০০০গী ৱাক রেস অদু মিনট ২০:৩৫.৮৭তা অহানবা তাবা ঙমখ্রবসু ইভেন্ট অদুগী অপূনবা মতম য়েংনরকপদা মহাক্কী মতম অদুনা অনীশুবদা লৈরগা সিলভর মেদল ফংখিবনি।

ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল অদুনা এক্কাদোরগী এথলেট ওস্কার পটিন্না মিনট ২০:১৩.৬৯ চৎতুনা গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি। লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা চাইনাগী এথলেট ৱাং জিননা মিনট ২০:২৮.০২দা ফংবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ২০১০ য়ুথ ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা অর্জুননা নুপাগী দিস্কস থ্রোদা অদুগা দুরগেস কুমারনা নুপাগী মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেলদা সিলভর মেদল ফংখিবা অদুগী মতুং সুরজ পনৱরনা ঙরাং মিটর ৫০০০গী ৱাক রেসতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

অহুমশুবা ৱর্ল্ড য়ুথ ওলেম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সর হান্না ৱর্ল্ড য়ুথ চেম্পিয়ন ওইরম্বী জোতি গুলিয়া ঙরাং ক্বার্টর ফাইনেলদা ইটালিগী বোক্সর মার্টিনা লা পিয়ানাগী মখূৎতা পোইন্ট ০-৫তা মায়থীদুনা বোক্সিং দিসিপ্লিনগী ওইনা ইন্দিয়াগী লম্বা লোইশিনখি।

মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবী জোতি গুলিয়ানা মমাঙদা জুনিয়র ৱর্ল্ড টাইটল লৌখিবা অদুনা মরম ওইরগা য়ুথ ওলেম্পিক গেমস অসিদা ক্বালিফাই ওইরকপনি।

দিসিপ্লিন অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা ৱর্ল্ড য়ুথ গেমসকী অহানবা কুমজা ২০১০দা পাঙথোকখিবদা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর সিব থাপা অমসুং বিকাস ক্রিসন্না মথংশিংনা কেজি ৫৪ অমসুং ৬৪দা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখিবা অদুনা রেকোর্দ ওইদুনা লৈরি।

চথুরিবা য়ুথ ওলেম্পিক গেমস অসিগী আর্চরিগী দিসিপ্লিন্দা ইন্দিয়াগী আর্চর অকাস মালিক অমসুং হিমানি কুমারিনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা মেদল ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা থম্বা ঙম্লি।

মশাগী চহী ১৬শুরবা অকাসনা কনাদাগী বেঞ্জামিন লীবু নুপাগী রিকর্ভ ইন্দিভিজুএলদা মায়থীবা পীদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবা ঙসি অথেংবদা স্পেনগী আর্চর জোস মেনুএল সোলিরাগা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা নুপীগী রিকর্ভ ইন্দিভিজুএলদা ইন্দিয়াগী হিমানি কুমারিনা সামুৱাগী আর্চর জিল ৱালটরবু পোইন্ট ৭-১দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক য়ু এস এগী আর্চর কটালিনা নোরিএগাগা লম্বা তৌনরগনি।

অর্জেন্টিনানা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী কোনুং বিনোস আইরসতা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা য়ুথ ওলেম্পিক গেমস অসিগী পোইন্ট টেবলদা ইন্দিয়াগী টিম গোল্ড মেদল ৩, সিলভর ৮ ফংলগা পূন্না মেদল ১১ লৌদুনা ১২শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

টেবল অসিগী মকোক্তা রসিয়াগী টিম্না গোল্ড ২৪, সিলভর ১৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ৯ পূন্না মেদল ৪৯ ফংলগা লৈরি। মথংদা চাইনাগী টিম্না গোল্ড ১৬, সিলভর ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ৯ পূন্না মেদল ৩২ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি। অহুমশুবদা জপানগী টিম্না গোল্ড ১৩, সিলভর ৭ অমসুং ব্রোঞ্জ ১২ পূন্না মেদল ৩২ ফংলি।

মরিশুবদা হঙ্গেরিগী টিম্না গোল্ড ১২, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ পূন্না মেদল ২২দা লৈরি। ইটালিগী টিম্না গোল্ড ১০, সিলভর ৮ অমসুং ব্রোঞ্জ ১১ ফংলগা পূন্না মেদল ২৯ লৌরগা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরি। য়ূম্বু অর্জেন্টিনা গোল্ড ৯, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ২০ ফংলগা ৬শুবদা লৈরি। য়ুক্রেনগী টিম গোল্ড ৫, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ১৫দা ৮শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লি। লোয়ননা ওস্ট্রেলিয়া, য়ু এস এ অমসুং ফ্রান্সনা মথংশিংনা ৯শুবা, ১০শুবা অমসুং ১১শুবদা লৈরি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮১

১। মহাক কনাদাগী শান্নরোয়নি, ওলিম্পিক্কী দবল স্কলদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি। মহাক্না ওলিম্পিক অনীদা থংন-থংননা ইরোইবগী থৌরম অমদা মকোক ওইবী নুপী অমগা লুহোংখি। মহাক কনানো?

২। নহাক হেপ্তাথলোনগী মিটর ১০০গী লমজেলদা সেকেন্দ ১১.১ দা চেনবা ঙম্লবদি নহাক পোইন্ট কয়া ফংগনি।

৩। ৱর্ল্ড ফুটবোল কপকী অথোই অহেন তান্নখিবগী কুমজা অমদা থোমাস মুল্লর, দেভিদ ভিল্লা, ৱেষ্টলে স্নেয়জদর অমসুং ফোরলাননা পাঞ্জল ৫/৫ চনখি। অদুবু থোমাস মুল্লরদা 'গোল্ডন বুট' করিগীদমক পীখ্রিবনো ?

৪। মহাক ইংলেন্দদা ডোক্তর ওই, ওলিম্পিক্তা মেদল অমা ফংখি। ন্যুজিলেন্দগী খ্বাইদগী ৱাংবা লৈঙাকপা ওইখি। মহাক কনানো/



৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮০গী পাউখুম ৪ চুম্না থাবিরকখিবশিংদি

***১) রতন মুতুম, হৈঙাং মখা লৈকায়*** (৪)

২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক (৪)

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ- ৮০গী ৱিন্নর

***রতন মুতুম, হৈঙাং মখা লৈকায়*** (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা )

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৮০গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

**ওক্টোবর ২১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮০গী পাউখুম

১। ষ্টোন দ্রেগোন টাউন করম্বা মশান্নগীদমক মমিং চৎলি ? :- WEIGHT LIFTING

২। পেলে অমসুং বেকেনবরনা মীচং ওইবা ফুটবোল টিম অমনা চাইনাগী ফুটবোল টিমগা করম্বা চহীদা মেচ শান্নখিবগে? :- 1977

৩। অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি। :- NAGAON

৪। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ঐঙোন্দা 'এ সিটিজন ওফ দি ৱর্ল্ড' হায়বা সার্টিফিকেট অমা পীখি। ঐ কনানো? :- PELE

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? :- JACQES ROGGE

# ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিং বুদাপেষ্টতা ত্রেনিং তৌরি



বুদাপেষ্ট, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী) ঃ হঙ্গেরিনা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ২০দগী ২৮ ফাওবা লৈবাক অদুগী কোনুং বুদাপেষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিং লৈবাক অদুমক্তদা হৌজিক অকনবা ত্রেনিং চথুরি।

ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ৩০না শাবা টিম অদুনা নুপাগী ফ্রীষ্টাইল অমসুং গ্রেকো রোমান ইভেন্ট লোয়ননা নুপীগী ফ্রীষ্টাইলগীদমক ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা অফবা পার্ফোমেন্স ফংনবা বুদাপেষ্টতা ত্রেনিং চথুরিবনি।

নুপাগী ফ্রীষ্টাইল ইভেন্টতা মালেমগী রেষ্টলরশিংগী ওইনা মকোক মথং তাবগী পরিংদা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা বজরং পুনিয়ানা লুচিংদুনা নুপীগী ফ্রীষ্টাইলদা ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সক্সি মালিক্না ইন্দিয়াগী টিম অদুগী লুচিংবা ওইরি।

রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা নুপাগী ফ্রীষ্ট্রাইলদা রেষ্টলর ১০, গ্রেকো রোমান্দা ১০ অমসুং নুপীগী ফ্রীষ্টাইলদা রেষ্টলর ১০ খনগৎতুনা ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক বুদাপেষ্টতা অকনবা ত্রেনিং চথুরিবনি।

নুপাগী ফ্রীষ্টাইলদা শরুক য়ারিবা রেষ্টলরশিং অদুদি সন্দিপ টোমর (কেজি ৫৭), সোনবা টানিজি (৬১), বজরং পুনিয়া (৬৫), পনকজ রানা (৭০), জিটেন্দর (৭৪), সচিন (৭৯), পৱন কুমার (৮৬), দিপক (৯২), এম খাত্রি (৯৭) অমসুং সুমিট (১২৫) নি।

নুপাগী গ্রেকো রোমান্দা শরুক য়াবশিং অদুনা বিজয় (৫৫), গ্যানেন্দর (৬০), গৌরব শর্ম্মা (৬৩), মনিস (৬৭), কুলদিপ মালিক (৭২), গুরপ্রিট সিংহ (৭৭), মঞ্জিৎ (৮২), হরপ্রিট (৮৭), হরদিপ (৯৭) অমসুং নবিন (১৩০) নি।

নুপীগী ফ্রীষ্টাইলদা শরুক য়ারিবা রেষ্টলরশিং অদুনা রিটু ফোগট (৫০), পিঙ্কি (৫৩), সিমা (৫৫), পুজা ধন্দা (৫৭), সঙ্গিতা (৫৯), সক্সি মালিক (৬২), রিতু (৬৫), নবজোট কোর (৬৮), রাজিনি (৭২) অমসুং কিরন (৬৬) নি।

কোচকী থৌদাং লৌরিবশিং অদুদি জগমিন্দর (ফ্রীষ্টাইল), কুলদিপ মালিক (নুপীগী ফ্রীষ্টাইল) অমসুং কুলদিপ সিংহ (গ্রেকো রোমান) নি।

# পি ভি সিন্ধু মায়থীহৌরে, সাইনা নেহৱাল অমসুং সমির বর্ম্মা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টনগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

ওদেন্স, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী) ঃ দেনমার্ককী সিটি ওদেন্সতা পাঙথোকপা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবী পি ভি সিন্ধু অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে। অদুবু মহাক্কী টিম মেট সাইনা নেহৱাল নুপীগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। লোয়ননা নুপাগী কাঙলূপতা লৈবাক অসিগী সমির বর্ম্মনা য়াম্না চাউনা মায় পাক্তুনা মহাকসু অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি।






পি ভি সিন্ধু ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবদা নত্তনা ওলেম্পিক গেমসকী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবী শান্নরোয় অমনি। মহাক দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহুমশুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা ঙসি অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী শান্নরোয় বৈৱেন ঝাংগা লম্বা তৌনবদা পুং ১ রোম লান্থেংনরবা মতুং গেম ১-২দা মায়থীবা নংখি।

অহানবা গেম সিন্ধুবু ঝাংনা পোইন্ট ২১-১৭তা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা ফজবা হেল্লকপদগী ঝাংবু ২১-১৬তা থোইদুনা গেম অমমম মান্নরগা অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেমগীদমক শেম শানখি।

অহুমশুবা গেম অদু শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী পোইন্ট মুন্নদুনা লাক্তুনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্ন দনা লৈনখি। অদুবু গেম অদুগী লোইশিল্লকপদা য়ু এস এগী নহা ওইরিবী শান্নরোয় বৈৱেং ঝাংনা সিন্ধুদগী পোইন্ট ৩ হেনগৎনা লৈখিবদগী ২১-১৮দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী এল জারফেলটকা লম্বা তৌনরগনি। জারফেলটনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা জপানগী অকানে ওহোরিবু ২১-১৮, ২৩-২১দা থোইরম্বনি।

নুপীগী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিদা সিদিং ফংখিদবী মতম অমনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱানগী থাক ফাওবা য়ৌরম্লবী সাইনা নেহৱালনা হোং কোংগী শান্নরোয় ঙান য়ি চুয়েংগা শান্নবদা পুং ১ হেন্না চঙনা লম্বা তৌনরবা মতুং গেম ২-১দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা গেম অদু শান্নরোয় অনীগী অকনবা লম্বাদা হোং কোংগী চুয়েংনা ২২-২০দা সাইনা নেহৱালবু থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেমদা সাইনা নেহৱালগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লকপদগী গেম অদু মহাক্না লাকচরপ শান্নবা ঙমদুনা ২১-১৭তা থোইদুনা দিসাইদিং শান্নরকপদা অকনবা লম্বা চুয়েংগী মায়কৈদগী পীরকখি।

দিসাইদিং গেম অদুদা শান্নরোয় অনীমক পোইন্ট মান্ননা চৎমিন্নরম্বদগী পোইন্ট ২০-২০দা লৈনখি। মখা তারকপা পোইন্ট ৪ মখোয় অনীনা পোইন্ট ২/২ য়েন্নদুনা পোইন্ট ২২-২২দা লৈরবা মতুং সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী এক্সপরিএন্স অদু শীজিন্নরকপদগী গেম অদু ২৪-২২দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবী জপানগী এ য়ামাগুচিগা লম্বা তৌনরগনি। য়ামা গুচিনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা স্পেনগী বি কোরালেসপু ১৮-২১, ২১-১৫, ২৫-১৬তা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা সিদিং ফংদনা অহানবা রাউন্দদা অহুমশুবা সীদেদ ওইরিবা চাইনাগী সী য়ুকিগা লম্বা তৌনরকপদা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নবা ঙম্লবদগী ষ্ট্রেট গেমদা মায় পাকখি।

অহানবা গেম অদু সমির বর্মনা চাইনাগী সী য়ুকিবু ২১-১৭তা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুদসু মহাক্না চাইনাগী মকোক থোংবা শান্নরোয় অদুবু ২১-১৮দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা হোং কোংগী দল্লিয়ু কে ৱোংবু ১৭-২১, ২১-১৮, ২১-১৩দা থোইরম্বা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোয় জে খৃষ্টিগা লম্বা তৌনরগনি।

# য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইংলেন্দনা স্পেনবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে, স্বিজরলেন্দসু মায় পাকখ্রে



সিভিল, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী) ঃ য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাক ৫৫না শরুক য়াদুনা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লীগ এগী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ ফোরগী মেচ অমদা ইংলেন্দনা স্পেনবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখ্রে। লীগ অসিগী গ্রুপ টুদা স্বিজরলেন্দসু মহাক্কী লম্বা আইসলেন্দবু থোইবা ঙমখ্রে।

স্পেনগী সিটি সিভিলদা লৈবা বেনিটো বিলামারিন ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লীগ এগী গ্রুপ ফোরগী মেচ অমদা ইংলেন্দনা স্পেনবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখিবনি। মেচ অদু স্পেননা মখোয়গী মরমদমদা শান্নবা ওইরবসু ইংলেন্দগী মায়কৈদগী য়াম্না পরম চূম্না শান্নবা ঙম্বগী মগুন উৎখি। শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় রহিম ষ্টর্লিংনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। পাঞ্জল অদু স্পেনননা হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরিঙৈ অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম লোইশিল্লকখি।

শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী রাজফোর্টনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা স্পেনবু মরমদম অদুদা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈহনখি। স্পেনগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল অমা হন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈ অহেনবা পাঞ্জল অমগসু ইংলেন্দনা হাপচিল্লকপা অদুদা মখোয়গী মরক্তা শান্নবগী পরম কায়বা হৌরকখি।

অহানবা হাফ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্তত্র বদা ইংলেন্দনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা রহিম ষ্টর্লিন্না মহাক্কী অনীশুবা অমসুং ইংলেন্দগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা স্পেনবু মখোয়না পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা স্পেনগী মায়কৈদগী তোপ তোপ্পা লাল্লোং শীজিন্নদুনা ইংলেন্দগী দিফেন্স অদুবু নমখায়নবা হোৎনরকখি। ৫৮শুবা মিনটতা মখোয়গী লাল্লোং মায় পাকখি। টিম অদুগী অলকাসেরনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী দিফেন্দরশিং মখোয়গী শান্নরোয়শিং অদুনা অহানবা হাফতা লৈখিবা পাঞ্জল অহুম অদুগী মনুংদা অমা স্পেন্না হন্দোকখ্রবা মতুং হেন্না চেকশিন্না শান্নবা হৌরকখি। মরম অদুনা অনীশুবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতমদা স্পেনগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা অদু অরেম্বা তাখি।

মেচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিল্লকপা ফাওবদা স্পেন পাঞ্জল ১-৩দা শোথদুনা লৈখি। ইঞ্জুরি টাসমগী মিনট ৮ হাপখিবা অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা স্পেনগী কেপ্তেন সর্জিও রামোসনা পাঞ্জল অমা চল্লগা গ্রুপ ফোরগী মেচ অদু ইংলেন্দনা মখোয়বু ৩-২দা থোইখি। পনবা য়াই স্পেন মমাঙদা শান্নখিবা মেচ অনী মায় পাক্তুনা টিম অহুমগী গ্রুপ অদুদা মখোয়না ইংলেন্দগী পোইন্ট ২ হেন্দুনা লৈরি।

ঙরাং শান্নখিবা লীগ এগী গ্রুপ টুদা স্বিজরলেন্দনা আইসলেন্দবু ২-১দা থোইখি। স্বিজরলেন্দগী মায়কৈদগী ষ্টেফেরোবিস অমসুং লাঙনা মথংশিংনা ৫২ অমসুং ৬৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনখি। অদুগা আইইলেন্দগী পাঞ্জল অদুনা ফিন বোগাসন্না ৮১শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# টাটা ওপন টেনিস টুর্নামেন্টতা কোরিয়াগী হিয়ুন চুংনা ষ্টার এট্রেক্সন ওইগদৌরি

পুনে, ওক্টোবর ১৬ (এজেন্সী) ঃ চহী অসিগী দিসেম্বর ২৯দগী মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা লৈবা মালুঙ্গে বালেৱাদি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ টি পি ২৫০ ইভেন্ট অমা ওইরিবা টাটা ওপন মহারাষ্ট্র টেনিস টুর্নামেন্টতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় হিয়ুং চুন য়াওবনা টুর্নামেন্ট অসিগী অচৌবা এট্রেক্সন অমা ওইগদৌরি।

পনবা য়াই, সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় হিয়ুং চুংনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা মালেমগী টেনিসকী মমিং লৈরবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল কয়াসু লৌবা ঙমখ্রবা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচপু মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। হৌজিক হৌজিক হিয়ুং চুং ৱর্ল্ড নম্বর ২৬তা লৈরি।

টাটা ওপন মহারাষ্ট্র টুর্নামেন্ট অসিগী দিরেক্টর প্রসান সুটরনা ফোঙদোর-কপগী মতুং ইন্না সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় অসিনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগনি হায়বা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মহাক্না ওইদুনা টুর্নামেন্ট অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা টেনিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইগদৌরি।

সাউথ কোরিয়াগী টেনিস শান্নরোয় অসিনা তোঙান তোঙানবা নুপাগী টেনিসকী টুর ইভেন্টশিংদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা লাকখি। চহী অসিগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্টতা চহী ২২শুরবা শান্নরোয় অসিনা সেমী ফাইনেল ফাওবা য়ৌদুনা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররগী মখূৎতা মায়থীহৌবনি।



হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৫ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেপ্পু মায়থীবা পীরমখি। মদুগী মতুং টুর্নামেন্ট অদুমক্কী প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্না সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচপু মায়থীবা পীরম্বনি।

সাউথ কোরিয়াগী টেনিস পুৱারীদা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট অমদা মরিশুবা রাউন্দ লান্থোকপা ঙমখিবা অহানবা শান্নরোয় ওইরিবা হিয়ুন চুং পুনেগী দিসেম্বর ২৯দগী হৌগদৌরিবা টাটা ওপন মহরাষ্ট্র টেনিস টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগনি হায়না য়াম্না চাউনা থাজবা থম্নরি।

মহাক মশাগী করিয়রগী ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ১৯ ফাওবা য়ৌদুনা এসিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় জপানগী কৈ নিসিকোরিগী মতুংদা মমিং লৈবা টেনিস শান্নরোয় অমা ওইরিবনি।